ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

দাইনা কম্প্যুটর সেন্টরনা নৈলিট ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা চান্দেল দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা নৈলিট ষ্টদি সেন্টরদা কম্প্যুটর ট্রেনিং সেন্টর অমা নৌনা হাংদোকখিবা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা

লামায় ৩

মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কছারগী ফুলরতল দিগর পোইন্ট মপাদা লম্বী থিংদুনা মফমদুদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা

WE DEMAND RECOGNITION OF MANIPURI LANGUAGE AS ASSOCIATE OFFICIAL LANGUAGE OF ASSAM
ORGANISED BY

লামায় ৩

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অমদি এন্টি দ্রগ সেল জি রিবামগা খুৎশম্নদুনা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭গী লৈঙাংপোকপী এরিয়াদা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং চেক তৌবদা কোফ্রেন সী দি কফ সিরফ বোক্স ২৭কা কোন্ননা ফারবা মীওই

লামায় ৩

নবার্দনা স্পোন্সর তৌরগা পি ঈ এস সী ঐচনা শাবা দুইরোং মার্কেট সেদ এ দি সী তমেংলোংগী চেয়রমেন নমসিনরৈ পানমৈ অমসুং নবার্দ মণিপুর রিজনল ওফিসকী জি এম ডা. এম শ্রিনিভাসা রাওনা রিবন কক্লুনা শঙ্গাখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 208 | ইরাই, মেরাগী ৭ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, October 23 , 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## চীফ মিনিষ্টরনা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : দুর্গা পূজানা লাকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়াইফ-পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা লাক্লিবা দুর্গা পূজা অসিনা লমদম অসিদা হেন্না ঈং-তপ্পা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোংদোরক্লি।

## মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : কৈশাম্পাৎ স্বিটচ য়ার্দতা শেমজিন-শাজিনবগী থবক চথুগদবা মরম্না ১১ কে ভি টিদ্দিম টু, ইষ্টর্ন টু, এসেমব্লী ৱান অমদি বজার ফীদর অক্টোবর ২৩গী অয়ুক পুং ৭তগী ৯ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা হায়রিবা পুংফম অসিদা ফীদরশিং অসিগী কঞ্জ্যুমরশিংনা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এলগী আই ঈ দি-ৱানগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং মখা চথরি

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : এইমস, এমসু, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ, সুকনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাংশিং পায়খৎননবা তোঙান-তোঙানবা পোইন্ট ১২গী দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লকপা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং ঙসি নীনি চনখ্রে।

ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা চথুখিবা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরি লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ অসিবু লুম্না লৌদবগী অচৌবা মমি অমা তারি। লৌখৎফম থোকপা থবকশিং নিংথি-নুংঙাইনা লৌখৎলক্তবা অসিনা মীয়াম্নসু থৌ-ৱা শারক্তবা, লায়না-লাইচৎ অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা ৱাংলকপা ফীভম কয়া লাকপদগী লায়না-লাইচৎ অসি লেপ্পা লৈতনা শন্দোরকপগী চাং অমদি শিবগী চাং

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### HL Poll

Q: Imphalda leiba dukan-singna potcheigi mamal henna yolle hairiba asi mari leinabasingna yengsin-bidabadagini khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Marakki Meekhal pangthok-kadouriba asina state asida covid-19 paktaknana sandokhallagani hairibasi yaningbra ?

| Yes | 86% | No | 14% |
|---|---|---|---|

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৫৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৫৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২৮.৭৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- নোংমদা থক্লিবা য়ুসি লেপ্পগা মদুগী শেলদুনা মীগী মতেং পাংসি ভায় !

- ꯅꯣꯡꯃꯗ ꯊꯛꯂꯤꯕ ꯌꯨꯁꯤ ꯂꯦꯞꯄꯒ ꯃꯗꯨꯒꯤ ꯁꯦꯜꯗꯨꯅ ꯃꯤꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯁꯤ ꯚꯥꯏ॥



- য়ু য়োনবসু মীনি, ঐখোয়না মতেং পাংলিবা অসিনিদনা !

- ꯌꯨ ꯌꯣꯟꯕꯁꯨ ꯃꯤꯅꯤ, ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯂꯤꯕ ꯑꯁꯤꯅꯤꯗꯅ॥

মরক্কী মীখল - ২০২০

# চিনলুন্থাংগী মীরেপচে লৌথোকখ্রে, গিন্সুৱানহাওগী লম্বা লৈত্রে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী হাংদুনা লৈরিবা সিটশিং মেনশিন্ননবা লাক্লিবা নবেম্বর ৭ তা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সি ৫গী পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা সিংহাট এ সীদগী ইন্দপেন্দেন্ট মীরেপ ওইবগী অয়াবা পীখ্রবা চিনলুন্থাংগী মীরেপচে ঙসি লৌথোকখ্রে। চিনলুন্থাংনা মহাক্কী মীরেপচে লৌথোকখিবা অসিনা সিংহাট এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা গিন্সুৱানহাওগী লম্বা লৈত্রে।

মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ঙরাং পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদা সিংহাট এ সীগী ওইনা বি জে পিগী গিন্সুৱানহাও অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইননবা চিনলুন্থাংনা পীশিল্লকখিবা মীরেপচেশিং রিটর্নিং ওফিসর (আর ও)না অয়াবা পীখিবনি। অদুগা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপা মতমদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইবদা অয়াবা পীখ্রবা চিনলুন্থাংগী মীরেপচে অদু মহাক্কী প্রপোজরনা আর ওগী ওফিসতগী ৱিদ্রো তৌখিবনি হায়রি।

চিনলুন্থাংগী মীরেপচে ৱিদ্রো তৌখিবা অসিনা সিংহাট এ সীদা বি জে পিগী গিন্সুৱানহাও লম্বা য়াওদনা মীখল অসিদা মায় পাক্লগনি হায়না পান্নরি। মীরেপচে লৌথোকপগী মতম হয়েং ফাওবা লৈবনা গিন্সুৱানহাও মীখল অসিদা লম্বা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরী লৈনবা আর ওনা লাউথোকপা লৈত্রি।

ৱাঙ্গৈই, ৱাংজিং-তেন্থা, লিলোং অমসুং সাইটু এ সীগী ওইনদি ঙসি ফাওবদা মীওই অমত্তনা মীরেপচে লৌথোকপগী পাউ লৈত্রি। অদুমকপু লিলোং এ সীগীদি মীওই অমা মীরেপচে লৌথোরকপা য়াই হায়না পান্নরি। মরক্কী মীখল অসিদা বি জে পিগী ওইনা সিট অমা ফংবা হৌরে হায়না লৌবা য়ারে। লেমহৌরিবা সিট মরি অসিদি মীখল মতুংদা করম করম্না পার্টিনা ফংগদগে হায়বদু খঙগনি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস) লেটখোগিন হাওকিপনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪দা থোকখিবা ওর্দর অমনা চিনলুন্থাংবু ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি (ও এস দি) ওইনা হাপ্লম্লে।

# চহী ৫গী মনুংদা ২০১৯না রোদ এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা চহী ওইরে

## এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থোকপা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা ২শুবদা লৈরি

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০১৫দগী হৌরগা চহী ৫গী মনুংদা কুমজা ২০১৯না রোদ এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা চহী ওইরে।

মিনিষ্ট্রি অফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ গভর্ণমেন্ট অফ ইন্দিয়াগী ট্রান্সপোর্ট রিছার্স ৱিংনা হন্দক্তা পুথোকখিবা রোদ এক্সিদেন্টস ইন ইন্দিয়া ২০১৯গী রিপোর্ট মতুংইন্না মণিপুরদা কুমজা ২০১৯দা রোদ এক্সিদেন্ট ৬৭২ থোকখি অমসুং মীওই ১৫৬ শিহনখি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা কুমজা ২০১৫দা রোদ এক্সিদেন্ট ৬৭১ থোক্লুনা মীওই ১৩৯ শিহনখি। কুমজা ২০১৬ তনা রোদ এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হন্থরক্লুনা এক্সিদেন্ট ৫৩৮ থোক্লগা মীওই ৮১ খক শিহনখি। কুমজা ২০১৭ তনা অমুক হেনগৎলক্লুনা রোদ এক্সিদেন্ট ৫৭৮ থোক্লগা মীওই ১৩৬ শিহনখি। কুমজা ২০১৮ দনা রোদ এক্সিদেন্ট ৬০১ থোক্লগা মীওই ১৩৪ শিহনখিবনি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৮গী মনুংদা কুমজা ২০১৯দা অসামদা রোদ এক্সিদেন্ট ৮৩৫০ থোক্লুনা মীওই ৩২০৮ শিহনখিবগা লোয়নন্না মীওই ৭৪৭৩ না অশোক-অপন নংহনখি। অসামনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা রোদ এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী য়াম্না থোক্লুনা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা অহানবা ষ্টেট ওইরি। মণিপুরদনা রোদ এক্সিদেন্ট ৬৭২ থোক্লগা মীওই ১৫৬ শিহনখিবগা লোয়নন্না মীওই ১০৫৫না অশোক-অপন নংহনখি। চহী অসিদা রোদ এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী মশিং য়াম্না থোকপা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা অনীশুবদা লৈরি। অদুগা রোদ এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবদনা মণিপুরনা মরিশুবদা লৈরি। ত্রিপুরাদনা রোদ এক্সিদেন্ট ৬৫৫ থোক্লুনা মীওই ২৩৯ শিহল্লগা মীওই ৮১৬ না অশোক-অপন নংহনখি। ত্রিপুরানা রোদ এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী য়াম্না থোকহনখিবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরি। অদুগা এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবদনা অনীশুবা লৈরি। মেঘালয়াদনা এক্সিদেন্ট ৪৮২ থোক্লুনা মীওই ১৭৯ শিহল্লগা মীওই ২২২না অশোক-অপন নংহনখি। রোদ এক্সিদেন্টনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মেঘালয়ানা অহুমশুবদা লৈরি।

নাগালেন্দনা এক্সিদেন্ট ৩৫৮ থোক্লুনা মীওই ২৬ খক শিরগা মীওই ২৪৬ না অশোক-অপন নংখি। কুমজা ২০১৯গী ওইনা রোদ এক্সিদেন্টতা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিখিদবা ষ্টেট অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা নাগালেন্দনা ওইরি। অরুনাচল প্রদেশতনা এক্সিদেন্ট ২৩৭ থোক্লগা মীওই ১২৭ শিহনখিবগা লোয়নন্না মীওই ৩০৯ না অশোক-অপন নংহনখি। সিক্কিমদনা এক্সিদেন্ট ১৬২ থোক্লগা মীওই ৭৩ শিরগা মীওই ৩১৮না অশোক-অপন নংখি। মিজোরামনা এক্সিদেন্ট ৬২ খক থোক্লগা মীওই ৪৮ শিখিবগা লোয়নন্না মীওই ৫৬ না অশোক-অপন নংখি। রোদ এক্সিদেন্ট খ্বাইদগী মশিং য়ামদবা ষ্টেটনা মিজোরামনা ওইরি।

চৎলিবা কুমজা ২০২০ অসিদসু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা রোদ এক্সিদেন্ট থোক্লুনা মীওই কয়া লৈখিদবগী থৌদোক থোকখ্রবনি।

# এক্টিভ কেস মশিং লিশিং মরি হেনখ্রে, লৈখিদবনা ১২৭ শুখ্রে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নন্না এক্টিভ কেস মশিং লিশিং ৪ হেনখ্রে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিংসু ৩ হেনগৎলক্লুনা ১২৭ শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৩৪৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৩৯ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৬ নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা নুপা ১৮৪ অমসুং নুপী ১৫৫ য়াওরি।

পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৪১, চূড়াচান্দপুরদা ১৭, বিষ্ণুপুরদা ১৫, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, ইসসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১, ককচিংদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ১৯, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩০, তেংনৌপলদা ৪, থৌবালদা ২৩, স্বিস হোস্পিটালদা ১, জেনিমসতা ৩৪, স্কাই হোস্পিটালদা ১, তমেংলোংদা ২৫, জিরিবামদা ১, উখ্রুলদা ১, কাংপোকপীদা ২, মাদরস ক্রেয়দা ২, এদভান্স হোস্পিটালদা ৩, ববিনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# লম্বী পাকথোকপগী লৈবাক কোৎথোকখিবনা ঈশিং থুমজিল্লবা মফমশিংদা ঈন থাদুনা ঙা ফানরে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী শরুক্তা লৈরিবা থৌবালগী মফম কয়াদা লম্বী পাকথোকপগী লৈবাক কোৎথোকখিবনা ঈশিং থুমজিল্লগা লৈরিবা মফমশিংদা মীয়াম্না ঈন থাদুনা ঙা ফানরে।

নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন ঐচ আই দি সী এল)গী মখাদা তোঙান-তোঙানবা কম্পেনিশিংনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী পাকথোকপগী থবক অসি পায়খৎলকখিবনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী থৌবাল পার্কিং মনাক্তসু জে সী বি শীজিন্নদুনা লম্বী পাকথোকহন্ননবা লৈবাক কোৎথোকখিবনি। লৈবাক কোৎথোকখ্রবা মফমশিং অসিদা খোংবালদগী চেন্থোরকপা ঈশিং অমদি নোং তারকপনা মরম ওইরগা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরকখিবনি। ঈশিং থুমজিল্লবা মফমশিং অসিদা ঙা লৈবা উবদগী মীয়াম্না ঈন থানরকখিবনি। লম্বী পাকথোক-চাউথোকপগী কোৎথোক্লিবা মফমশিং অসিবু মরী লৈনবা কম্পেনিশিংনা নীংথিনা খাজিল্লগা থন্বীদবনা গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংথিবা থোকহল্লক্তদ্রা হায়বগী মীপায়বসু পোক্লরে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

# এয়রপোর্ট দ্রগ কেসকী ৱায়েলদা কোর্টনা ৱিটনেস ২ মচিন হংখ্রে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : দেক্কান কার্গোনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখিবা কার্তুন বোক্স তরেৎ পীক থনবা লোনা থিংলবা দ্রগশিং ফাগৎখিবা কেসকী চার্জশীট সেন্ট্রেল ব্যুরো অফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না থাগৎলখিবদগী চথুরক্লিবা ৱায়েলদা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অনী কোর্টনা মচিন হংখ্রে।

ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট লমখনপাও তোন্সিংগী কোর্টনা মচিন হংখিবা পি দব্লিয়ুশিং অদুনা পি দব্লিয়ু নম্বর- ৪৬ বিনোদ কুমার গুপ্ত (৪৭), অপোকপা রোমশন লাল, দিল্লি অমসুং পি দব্লিয়ু নম্বর- ৪৭ অজয় গুপ্ত (৫৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা রাজকড়ন গুপ্ত, ন্যু দিল্লিনি। মখোয় অনীমক রিটেল কেমিষ্ট দুকানশিং ফম্না মীওই ঙাক্তনি।

মখোয় অনীগী মনুংদা বিনোদকুমার গুপ্তনা এম/এস অগড়ৱাল মেদিকেল ষ্টোরগী প্রোপ্রাইটরনি। মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা দিল্লিদা লৈবা সী বি আইগী ষ্টাফশিংনা মহাকপু মখোয়গী ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লকখি। মসি মহাক্না এম/এস মহেক ফার্মাসিউটিকেলদগী রোবোকোফ টেব্লেটশিং লৈরুবগী মতাংদনি হায়খি।

সী বি আইনা মঙোন্দা খঙহল্লকপা অসিগী মতুংইন্না মহাক্না এজেন্সী অসিগী মমাঙদা হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ২০দা এন সী টি, দিল্লিগী এসিস্টেন্ট দ্রগস কন্ট্রোল্লর (দ্রগ কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট) তা চেরোল অমা ইদুনা থাখি। চেরোল অদুদা মহাক্না কৈদৌনুংদসু এম/এস মহেক ফার্মাসিউটিকেল্দগী হায়রিবা রোবোকোফ টেব্লেটশিং অসি অমুক্তা লৈখিদ্রি হায়না খঙহনখি হায়রি। অদুগা পি দব্লিয়ু অজয় গুপ্তনা ফোঙদোকখিবদনা মহাক এম/এস অজয় মেদিকেল ষ্টোরগী মপুনি হায়খি। মহাক্কী দুকাননা মেদিসিনশিং রিটেলর ওইনা য়োনবগী থবক তৌই। লোয়নন্না নুংতিগী য়োন্ননবা লৈরুবা অমসুং য়োনখিবা হিদাক-লাংথকশিং রেকোর্দ তৌদুনা থম্মী হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

লোয়নন্না মহাক্কী দুকানদা শুপ্পতগী আয়ুরবেদিক অমসুং এল্লোপেথিক মেদিসিন খক্তমক য়োল্লি হায়খি। কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ৯দা সী বি আইনা মঙোন্দা অইবা চেরোল অমা থারকখি। চেরোল অদু এম/এস মহেক ফার্মাসিউটিকেলনা রোবোকোফ টেব্লেটশিং য়োনখি হায়বগী কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ৩গী ইনভোইস নম্বর- এস বি-৮৫০ গা মরী লৈনননি হায়রি। অদুবু মহাক্না এপ্রিল ২১, ২০১৫ দা সী বি আইদা চেরোল অমা ইদুনা মহাক্না এম/এস মহেক ফার্মাসিউটিকেলসতগী কৈদৌনুংদসু রোবোকোফ টেব্লেটশিং লৈখিদে হায়না খঙহনখি হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, য়াম্লবা দ্রগশিং অদু কুমজা ২০১৩দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টল্লিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু)গী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা হকথেংননা ফাগৎখিবনি।

টিম অসিনা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# রিজাইন তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ ৩গী কেসকী ৱায়েল মথং থাগী ৪দা মখা চথরগনি

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী এম এল এশিং ওইরম্বদগী রিজাইন তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অহুম্না মখোয়গী রিজিগনেসন লেট্টরশিংবু অয়াবা পীখিবা স্পিকরগী ওর্দরবু চেলেঞ্জ তৌদুনা হায়কোর্ট অফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংগী ৱায়েল মখা চথখিবগা লোয়নন্না ৱাংহৌরিবা হিয়রিংগী শরুকশিং মথং থাগী ৪দা পাঙথোক্লবা লেপখ্রে।

এক্স-এম এল এ অহুম্না পিটিসনরশিং ওইদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরি য়াওনা অতোপ্পা মীওইশিংবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল)শিং অদুনা সাম্যুল জেন্দাইগী দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৩৯৬ অফ ২০২০, টি থাংজলম হাওকিপকী ৩৮৭ অফ ২০২০ অমসুং ৫৪২ অফ ২০২০ অমদি সোইবম সুভাসচন্দ্রগী ৪৩৩ অফ ২০২০ নি।

সিভিল রিট পিটিসনশিং অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা অখন্ননা কেসশিং অসিখক্তং লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি।

কোর্টনা কেসশিং অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনরশিংগী মরক্তগী এক্স-এম এল এ সাম্যুল জেন্দাইগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা পিটিসনর আর্গ্যুমেন্ট মখা তানা সবমিসন তৌখি। অদুমকপু ঙসি সবমিসন অসিগী শরুকশিং মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমখিদে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা কোর্টনা লৌখৎখিবা ঙসিগী কেসশিং অসিগী প্রোসিদিংদা এক্স-এম এল এ টি টি হাওকিপকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল ডা. আর কে দিপক অমসুং এস সুভাসচন্দ্রগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রসু শরুক য়াখি। সিনিয়র কাউন্সেল এম হেমচন্দ্রগী মায়কৈদগীসু মহাক্কী কেস অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং কোর্টতা থম্বা হৌখি। অদুবু ঙসি মপুং ফানা লোইশিনবা ঙমদবদগী মথং থাগী ৪দা পাঙথোক্লবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

# নমথাক তৌরগা শেল খোমগৎলম্বা নহা ১ পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা লৈবা চকপা ফাইনান্সকী জেনরেল মেনেজরনি হায়দুনা লান্না শক্তাল্লগা মীওই ৪৫০ রোমদগী লোন পীগনি হায়দুনা মীকোক্তা লুপা ১,৩০০ পুন্না লুপা লাখ ৬ লোম খোমগৎলম্বা নহা অমা পুলিসনা মখা তানা মখোয়গী কষ্টসিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রবা নহাদুগী মমিং খোইস্নাম থোইথোই (২০) কৌই। ফয়েং চীং খুন্নৌদগী কে ঐচ কেশোগী মচানুপানি।

মহাক্না অরানবা থৌওংসি চথরে হায়দুনা চকপা ফাইনান্সকী ষ্টাফ লোংজম রতন (২৪), অপোকপা এল চাওবা, উরিপোক বাচস্পতি মনিং লৈকায়দা লৈবনা মমাঙ থাগী ৩০দা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলকখিবনি। পুলিসনা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মীয়ামদা লোন পীগনি থাজহল্লগা শেলয়াম খোমগৎলম্বা নহা অসি থা অসিগী ১২দা ফাগৎখিবনি। অদুগা ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা ৱাহং-পাউহং চথরকখিবনি হায়রি।

অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকপদা ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা মখা তানা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

কোভিদ-১৯না ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্লুনা খন্ন-নৈনখ্রে

# এস ও পি ঙাকহনবদা সী এস ওশিং অমদি লোকল ক্লবশিংনা অঙম্বা থাক্তা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না সী এমনা আপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল, অক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা চ্যের লৌরগা ঙসি অপূনবগী মীফম পাঙথোক্লুনা খন্ন-নৈনখ্রে। কোভিদ-১৯গী এস ও পি লৈকায়-লৈকায়, খুন-খুনদা লৈরিবা মীয়াম্না ঙাকহনবদা সী এস ওশিং অমদি লোকল ক্লবশিংনা অঙম্বা থাক্তা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না চীপ মিনিষ্টর এন বিরেননা আপিল তৌখ্রে।

মীফম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, ষ্টেট কন্সল্টেটিভ কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯গী মীহুৎশিং, জোইন্ট কম্মিটি অফ সী এস ওজ ওন এৱোরেন্স, ষ্টেট টাস্ক ফোর্স, পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী মীহুৎশিং, হেল্থ দিপার্টমেন্ট, রিমস, জেনিমসকী ওফিসলশিং অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবদগী হৌরগা নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা চথুখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্নবা অমদি থেংননবা হোৎনবদা ষ্টেট লৈঙাক্লা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

হৌজরে ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁ হৌজরে
নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা
Manipur Cab Service হৌজরে।
মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।
MANPUR CAB SERVICES
Dial: 18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525
Service starts 9:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁ
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫